# মেটিওর অমসুং স্কাল্প মিসাইলশিং পানবা রাফেলনা গেমচেঞ্জর ওইরগনি ঃ মিসাইল মেকর



**পেরিস, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** ইন্দিয়ানা ফ্রান্সতগী লৈগদৌরিবা থাক ৰাংনা ফরবা লানগী প্লেন, রাফেল ফাইটর জেট অদু অহানবা পীরক্কদবগী মাঙওইননা য়ুরোপিয়ান মিসাইল মেকর এম বি দি এনা মেতিওর অমসুং স্কাল্প মিসাইলশিং য়াওবা খ্বাইদগী থাক ৰাংনা ফরবা ৰিপন্স পেকেজগা লোয়নবা এয়ারক্রাফ অসিনা রিজন অসিদা ইন্দিয়াবু লাম্বা লৈতনা মনুং হুৎচিন্না এটেক তৌবা ঙম্বগী অমসুং এয়ার দোমিনেন্সকী শক্তি পীরগনি হায়খ্রে।

ইন্দিয়ানা লুপা ক্রোর ৫৯০০০দা লৈগরিবা রাফেল ফাইটর জেট ৩৬ অদুদা এম বি দি এগী উবা ঙম্বগী ৰাংমদা লৈবা এয়ার টু এয়ার মেতিওর মিসাইল অমসুং স্কাল্প ক্রুজ মিসাইলনা মরুওইবা ৰিপন্স পেকেজ ওইরি।

রাফেল এয়ারক্রাফ অসিনা ইন্দিয়াবু লৈবাকসিনা মমাঙদা কৈদৌঙৈদা ফংবা ঙমখিদ্রিবা অনৌবা তৌবা-ঙম্বা শক্তিশিং অদু ফংহল্লগনি। স্কাল্প অমসুং মেটিওর মিসাইল অনীমক অসি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকিদমক গেম চেঞ্জর অদু ওইরগনি হায়না এম বি দি এগী ইন্দিয়া চীফ লোইক পৈদেবাচেনো পি টি আইদা হায়খি।

ফ্রেঞ্চ এরোস্পেস মেজর দসোল্ট এভিয়েসননা শাবা লানগী প্লেন অদু লৈনবগীদমক ইন্দিয়ানা অচৌবা দিল অদু সহি তৌখিবগী চহী ৩গী মতুংদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পেরিসতা লৈবা এয়ার বেজ অমদা অহানবা রাফেল ফাইটর জেট অদু ফংলগনি।

মেটিওর মিসাইল হায়রিবা অসি নোংথক্তা লান্থেংনবা হায়বদি এয়ার টু এয়ার কম্বেটপু রিভোলুসনাইজ তৌনবগী দিজাইনদা বি ভি আর এয়ার টু এয়ার মিসাইল (বি ভি আর এ এ এম)গী অনৌবা জেনরেসন অমনি। য়ু কে, জর্মনি, ইটালি, ফ্রান্স, স্পেন অমসুং স্বিদেননা মায়োক্নরিবা মান্নবা অকিবশিং মায়োক্নবা এম বি দি এনা খূৎলাই অসি পুথোকখিবনি।

এম বি দি এনা হৌখিবা চহী ৫০ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স, আর্মি অমসুং নেভিদা মিসাইল মখল কয়ামরুম পীখ্রে। হৌখিবা থাদা ইন্দিয়াদা এ এস আর এ এ এম অমসুং মিস্ট্রাল মিসাইলশিং ফাইনেল এসেম্ব্লি, ইন্টিগ্রেসন অমসুং টেষ্ট (এফ এ আই টি)গীদমক দিফেন্স পি এস য়ু ভারত দাইনমিক্স লিমিটেদকা এগ্রীমেন্ট অমা হৌখিবা থাদা সহি তৌনখ্রে।

এ এস আর এ এ এম হায়রিবসি লাক্নিন্না লান্থেংনবগী অনৌবা জেনরেসনগী মিসাইল অমনি। আই এ এফকী জাগুৱার এয়ারক্রাফনা কট্টিং-এজ এয়ার -কম্বেট মিসাইল অসি ফংবা অহানবা ইন্দিয়ান প্লেটফোর্ম অদুনি।

# আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবা প্রোটেষ্ট তৌনবা পি ও কে খোঙচৎলোইশিংনা এল ও সি তন্না চংশিল্লকখ্রে



**ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস মুখৎখিবা ইন্দিয়াগী খোঙথাং অদু প্রোটেষ্ট তৌনবা পাকিস্টান - ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)দগী য়ান্নবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) তন্ননা চংশিল্লকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু এল ও সি অদু লান্থোক্তনবা ৰার্নিং তৌখি। কাশ্মিরিশিংগীদমক শৌগৎনবা নৎত্রগা মীওইবগী পীফম থোকপা তেংবাং পীনবা কনাগুম্বা অমনা এল ও সি লান্থোক্লুবা তারবদি মখোয় ইন্দিয়াগী শেমজিন শাজিনবা ৰারীগী মচাক ওইখিগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

নহারোলশিংনা অয়াম্বা ওইবা খোঙচৎলোইশিং অদু পি ও কেগী কোনুং মুজাফরবাদতগী লাক্লগা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা গারহৈদুপত্তাদা থুংখি অমসুং মফম অদুদা অহিং লেকখি। মখোয়না মুজাফরবাদ-শ্রীনগর হায়ৱে লম্বীদা লাক্লি।

য়ানীংদবগী খোঙচৎ অসি জম্মু - কশ্মির লিবরেসন ফ্রন্ট (জে কে এল এফ)না শিনবনি।

মখোয়বু ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগীদমক লৈরিবা য়ু এন মিলিটরি ওবজার্ভরস গ্রুপনা ৰারী শারকখ্রে হায়না মফমদুগী জে কে এল এফ লূচিংবা অমা ওইরিবা রাফিকদরনা মেদিয়াদা হায়খি।

শান্তিগী ওইবা য়ানীংদবা ফোঙদোকপশিংগী মথক্তা শক্তি শিজিন্নহন্দনবা পাকিস্টান অমসুং ইন্দিয়াদা তকশিনবীয়ু হায়না য়ু এনদা হায়জখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

প্রোটেষ্টরশিং অদুনা এল ও সি অদু লান্থোক্লুবা লাওথোকখি। মখোয়না পাকিস্টানি ওথোরিটিজনা মখোয়বু খামগদবা চাককোথি য়ৌনা চংশিল্লবা য়াই হায়না লিখুলশিংনা হায়খি।

মসিদা থোক্লকপা য়াবা ফিভম অমা হেক্তা থেংননবা অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পরিং অদুদা অসিগুম্বা খোঙচৎ অমা চংশিল্লকপা থিংনবা ইন্দিয়ান আর্মিনা মপূং ফানা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়না আর্মি ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবদি এল ও সিদা আইন থুগাইরকপা নৎত্রগা চংশিল্লকপগী পাউ অমত্তা লৈত্রি। ফিভম অসিগী মরমদা মাঙজৌননা টুপশিংদা পাউ খঙহনখ্রে অমসুং য়ান্না চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে হায়না ওফিসার অমনা হায়খি।

# আরে কোলোনিগী উ পাম্বীশিং কন্নবা চীফ জষ্টিসকী থোঙ থিনগনি হায়না মহৈরোইশিংনা ফোঙদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** মুম্বাইগী আরে কোলোনিদা মেট্রো কার সেদ অমা শাগৎনবগীদমক মফম অদুদা হৌরিবা উ পাম্বী লিশিং কয়া য়ান্থৎপগী মায়োক্তা এক্টিভিষ্টশিংনা প্রোটেষ্টশিং চত্থরিঙৈগী মরক্তা মহৈরোইশিংগী দিলিগেসন অমনসু হিরম অসিদা মহাক্কী খূৎ থিঞ্জিনবগীদমক দিল্লিদা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোইগী য়ুমদা চৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফেসবুক পেজ অমদা মহৈরোইশিং অদুনা হায়খি, মখোয়গী দিলিগেসননা চীফ জষ্টিস গোগোই উন্নগনি অমসুং মুম্বাই ওথোরিটিজনা আরে কোলোনিদা উ পাম্বীশিং য়ান্থৎলিবা অদুগী মতাংদা ষ্টে তৌবগী চৎনবী অদু থাদোক্লগা মহাক্কী অখন্নবা জুরিসদিক্সন পাংথোকপীনবা হায়জগনি।

মুম্বাই ওথোরিটিজনা আরে বু পূংকোক কোকথোকখ্রগদবা মরম্না অপিল পেটিসন অমা থাঙ্গৎনবা অমসুং আইনগী ওইবা কাঙলোনশিং অদু ঙাক্তুনা চৎনবগী মতম লৈতে হায়না মখোয়না হায়খি।

মুম্বাইগী গ্রীন-লঙ হায়নসু হেক-হেক খঙনবা সবরবান গোরেগাওদা লৈরিবা আরে কোলোনি অসি শঞ্জয় গান্ধী নেসনেল পার্ককা লোয়ননা উ পাম্বী লাক্ষ ৫ হেন্না হৌই।

মেট্রো প্রোজেক্ট অমগীদমক উ পাম্বীশিং য়ানথৎপা ষ্টে তৌনবগী ৰাকৎ অমা বোম্বে হায় কোর্টনা ককথৎখিবগী মতুং মুম্বাইদা ওথোরিটিজনা ইরাই নুমিৎকী অহিংনোংয়াইদা উ পাম্বীশিং য়ান্থৎপা হৌখিবনি। মদুগী মায়োক্তা য়েৎলুবগীদমক মীওই ২৫ ফাখ্রে অমসুং জেলদা থাজিনখ্রে। অতৈ মীওই কয়াসু ফাজিন্দুনা থন্লি। আরে কোলোনিদা হৌরিবা উ পাম্বীশিং য়ানথৎপা আইনগী মায়োক্তনি হায়না এক্টিভিষ্টশিং অদুনা হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী ৰায়েল অদু লাওথোক্লিবা ফাওবা উ পাম্বীশিং য়ান্থৎপগী মতাংদা ষ্টে তৌবিয়ু হায়না এনভাইরোমেন্টেলিষ্টশিংনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ৰাকৎ অমা থাঙ্গৎখি। অদুম ওইনমক ৰাকৎ অদুবু হিয়ারিং তৌরিবা বেঞ্চ অদুনা বোম্বে হায় কোর্টকী ইরাই নুমিৎকী ওর্দর অদুদা বেঞ্চ অদুনা খূৎ থিংজিলেই হায়খি।

মুম্বাই পুলিসনা আরে কোলোনিদা মী ৪ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পূনবা থিংখ্রে।

মেট্রো কার সেদ প্রোজেক্ট অদুগীদমক উ পাম্বীশিং য়ান্থৎলক্লিবা অদুগী মায়োক্তা য়ানীংদবশিং ফোঙদোক্লকপদগী আরে কোলোনি অদুদা মী চংহন্দনবা পুলিসনা কোয়শিন্দুনা ঙাকশেনখ্রে।

মহারাষ্ট্রদা বি জে পিগী খোঙবু শিব সেনা না এক্টিভিষ্টশিং অদুগী নাকন্দা লেপখিবগা লোয়ননা ঈহৌ অসি য়ান্না কনখৎলকখিবনি।

বোল্লিৱুদ ষ্টার কয়ামরুন্নসু লমদম অদুগী অশঙ-অমান মাঙহনবা অদুগী মতাংদা নূংনাংবশিং ফোঙদোকখ্রে অমসুং মীয়াম পূন্সিন্নবা অমসুং প্লানেট অসি কন্নবা অপিল তৌখ্রে।

কোংগ্রেস লূচিংবা শঞ্জয় নিরুপমনা উ পাম্বীশিং য়ান্থৎপা অমসুং প্রোটেষ্টরশিং ফাবা কন্দেম তৌরিবা এক্টিভিষ্টশিং শৌগৎখ্রে। মহাক্কী পার্টিগী খোঙলোই মিলিন্দা দিওরানা উ পাম্বীশিং য়ান্থৎপা অদুবু নহাক্কী লংসতা নশামক্না থাঙনা থিঞ্জিনজবনি হায়খি।

অদুবু য়ুনিয়ন এনভারোনমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা আরে কোলোনিগী উ পাম্বীশিং য়ান্থৎপা অদুবু শৌগৎখি।

অহানবা দিল্লি মেট্রো ষ্টেসন শাখিবা মতম অদুদা উ পাম্বী ২০-২৫ য়ান্থৎখি। মীয়ান্না মতম অদুদা মদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। অদুবু ঙসিদি মদুনা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা মেট্রো ওইরে হায়না মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

# বাঘদাদতা টি ভি ষ্টেসন কয়াদা এটেক তৌখ্রে, প্রোটেষ্টশিং ঈংথহন্নবা ইরাক গভর্ণমেন্টনা রিফোর্মশিং পাংথোক্লগনি



**বাঘদাদ, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** ইরাককী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল আবাদেল মাহদিগী কেবিনেটনা মীওই ১০০ রোম শিখ্রবা অকনবা এন্টি গভর্ণমেন্ট রেলিশিংগী পাউখুম ওইনা ঙরাং নুমিদাং পাংথোকখিবা থোইদোক -হেন্দোকপা সেসন অমগী মতুংদা ঙসি নোংমাইজিংগী অঙনবদা রিফোর্ম কয়ামরুম পাংথোক্লুবা কেবিনেটনা চেরোলশিংদা থোকখ্রে।

পাকশনবা রিফোর্ম দিমান্দ তৌনবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌনা লৈবাকসিগী বাঘদাদ অমসুং খা থংবা লমদমদা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট হৌরকখিবনি। চহী ১গী মমাঙদা আবাদেল মহাদিনা লৈবাক্কী শক্তি পায়রকখিবা মতমদা রিফোর্মশিং অদু পাংথোক্কনি হায়না ৰাশকখিবনি।

ঙসি নোংমাইজিংগী অঙনবদা মহাক্কী কেবিনেটনা লম য়েন্থোকপা, মিলিটরিদা য়াওহন্দুনা থবক পীবা অমসুং মথৌতাবা ইমূংশিংগীদমক ৰেলফিয়ার ষ্টাইপেন্ট হেনগৎহনবা য়াওনা থৌরাং তৌরিবা রিফোর্ম ১২রোম হেনবা দিক্রী অমা থোকখি।

ইরাকতা পব্লিক সেক্টরনা খ্বাইদগী চাওবা ইমপ্লোয়রনি। মী মিল্লিয়ন ৪০গী লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহী খরদা অনৌবা য়ুনিভর্সিটি গ্রেজুয়েটশিং থবক পীবা ঙমখিদে। ইরাককী মফম কয়ামুক্তা মী মিল্লিয়ন ৩না লৈরিবা, পার্মিটশিং য়াওদনা শাখিবা হাউসিং য়ুনিটশিং হন্দক্তা লোকেল ওথোরিটিজনা থুগাইখি।

ইরাকি হ্যুমেন রাইটষ্ট কমিসননা প্রোটেষ্টশিং অসি হৌরকখিবদগী মীওই ৯৯ শিখ্রে অমসুং ৪,০০০রোম শোকখ্রে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখি।

নাকন অমরোমদা বাঘদাদতা লৈবা টেলিভিজন ষ্টেসন কয়াগী ওফিসশিংদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা মাইখুম উপা অমসুং নোংমৈ পায়বশিংনা য়েকখাই-থিনগাইবা তৌরকখ্রে।

সাওদিনা মপু ওইবা অল-অরাবিয়ানা বাঘদাদতা লৈবা মখোয়গী ওফিসতা মায়খুম উপ্পা নোংমৈ পায়বা মীওই কয়ামরুন্না এটেক তৌরমখ্রে হায়খি।

নোংমৈ পায়বশিং অদুনা ঐখোয়গী ওফিসতা থোমজিল্লকখিবা অদুদা ঐখোয়গী মীওই কয়ামরুম শোকখি হায়না করেস্পোন্দেন্ট অদুনা হায়খি।

ফেদরেল পুলিসনা এটেক অদুদা ঐখোয়বু করিসু মতেং পাংবীখিদে। এটেক অদুগী মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসতগী অমসুং ওফিসারশিংদগী এটেক অদু থিগৎনবা থাজবা পীরকখিবশিং ঐখোয়না ফংলি হায়না করেস্পোন্দেন্ট অদুনা মখা তাখি।

পূন্না টি ভি ষ্টেসন ৭কী ওফিসশিংদা ঐখোয়বু খূৎলাই পায়বশিং অদুনা এটেক তৌরমখিবনি।

টিভি ষ্টেসনশিংগী ওফিসশিংদা খূৎলাই পায়বশিংনা এটেক তৌরল্লিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর মাহাদিগী গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট অমা চত্থরিঙৈগী মরক্তনি। প্রেটেষ্টশিং অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০০ শিখ্রে, লিশিং কয়া শোকখ্রে।

নাসিরিয়াহ, দিৱানিয়াহ অমসুং বাশরানচিংবা সিটিশিংদা চত্থখিবা প্রোটেষ্টশিং অসিদা প্রোটেষ্টর কয়ামরুন্না লৈবাকসিগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা ৱার হেরোশিংগী মনূংদগী অমা ওইরিবা লেফটন্টে জেনরেল অবদুলৱাহব অল-শাদিগী ফোটোগ্রাফশিং পায়খি।

লফটন্টে জেনরেল অল-শাদি অসি ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থিবা পীনবা লান লূচিংখিবা ইরাককী কাউন্টর-টেরোরিজম ফোর্সকী হান্নগী মকোকনি।

নুমিৎ ৫নিগী এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ১০০রোম শিখিবা অদুদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইরাকতা থোকখিবা হিংশা লোয়শিন্নবা ঙরাং অপিল তৌখ্রে।

নুমিৎ ৫নিগী মীশি-মীনা অমসুং অশোকপশিংগী থৌদোক পাউ লৈরে। মসি শোয়দনমক লেপকদবনি হায়না ইরাকতা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল জিনাইন হেন্নিস-প্লাসর্শ্টনা হায়খি।

# আই এ এফ চীফতা সেলুট তৌদুনা সুখোয়-৩০না হিন্দোন এয়ার বেজ হায়-স্পীদ মেনোভরশিং উৎখ্রে



**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** উত্তর প্রদেশকী ঘাজিয়াবাদতা লৈবা হিন্দোন এয়ার বেজদা ঙসি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী সুখোয়-৩০ এন কে আই মল্টিরোল ফাইটর জেটনা এয়ার চিফ মার্সেল আর কে এস ভাদৌরিয়াদা তৌবা সেলূট অমদা 'ভর্টিকেল চার্লি' হায়না খঙনবা হায়-স্পীট মেনোভর অমা পাংথোক্তুনা উৎখ্রে।

মসিগী মোনোভর অসিদা অনেম্বা এলটিচুট অমদগী সুখোই ৩০ এম কে আই অদুনা পাইখৎলক্কনি অমসুং অকক্লবা অৱাংবা অমা য়ৌরবগী তূংদা মদু কয়ারক হন্না থরো-থরো ওনবগা লোয়ননা মথকলোমদা হায়-স্পীদতা পাইখৎকনি।

২-সিটর ফাইটর জেট অদুনা মদুগী অৱাংবা অদু য়ৌবগা হায়-ইন্টেন্সিটি ফ্লায়রশিং কামথোক্লক্কনি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা চহী ৮৭ শুরকপা থৌরম পাংথোক্লুবা থৌরাং তৌরি মসিগা লোয়ননা এয়ার ফোর্স ষ্টেসন হিন্দোনদা সেরিমোনিএল পেরেদকীদমক আই এ এফকী এয়ার ৱারিয়রশিংনা থৌরাং তৌখ্রে।

হিন্দোন এয়ার বেজগী মথক্তা পাংথোকপা ফ্লাইপাষ্ট অদুদা ভিন্টেজ এয়ারক্রাফ, মোদর্ন ট্রান্সপোর্ট প্লেনশিং অমসুং ফ্রন্টলাইন ফাইটর প্লেনশিং য়াওগনি।

সূর্য্য কিরন এরোবেটিক টিম অমসুং সরঙ্গা হেলিকোপ্টর দিসপ্লে টিমনা অঙকপা এরোবেটিক দিসপ্লে অমা উৎলগা থৌরম অদু লোয়শিনগনি হায়না আই এ এফনা হায়খি।

মমিং চৎলবা আকাশ গঙ্গা টিমগী ফিরান পায়বা স্কাইদাভরশিংনা এ এন -৩২ এয়ারক্রাফতগী চোংথরক্লগা এয়ার দিসপ্লে অদু হৌগনি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা এয়ার ফোর্স ডে অসিদা ২০১৫দা পেরিস এয়ার সোদা পুথোকখিবা ইজরেলগী মিসাইল অদুগী আই-দেরভাই ভেরিয়ান্ট উৎনবসু খল্লি। মিসাইল অদু রসিয়ান ফাইটর অদুদা পাশিনবা হায়বসিসু শীংনবা অমনি হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি। মসি ইজরেলিগী হৈ-শিংবশিংগী মথৌ তাগনি। মরুওইনা সুখোয় -৩০ অদুগা মিসাইল অদু করিগুম্বা হেক কাপখিবা মতমদা অনীদুগী মরক্তা দাটা-লিঙ্ক অমা শেম্বদা ইজরেলগী এক্সপার্টশিংগী মথৌ তাই।

ফাইটর জেট অমনা দাটা লিঙ্ক অদুগী খূৎথাংদা মিসাইল অদুগা কম্যুনিকেট তৌনৈ অমসুং থানবা পান্দম থল্লিবা ফাইটর অদুগী লৈফম অদু দাটা লিঙ্ক অদু ফাওদুনা খঙহনখি।

# মপোক নুমিৎকী ঙকহন্নবা মোংশোঙদগী চোংথোকপদা মকুবোক্না নোমৈনা কাপখ্রে



**শান্টা রোজা, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** রিচার্দ দেন্নিশনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৩০.৩০রোম তাবা মতমদা মাগী মনিংথোঙদা কনাগুম্বনা চৎপগী মখোন তাবদা মহাক ঙকখি হায়না ওথোরিটিজনা হায়রি।

ফ্লোরিদাগী গলফ ব্রীজেদা লৈবা মাগী য়ুমগী মপান্দা মশাগী চহী ৬১ শুরবা অসিনা মখূৎতা নোংমৈ অমা পাইরদুনা হেক থোকখিবদা মোংশোঙ লোমদগী মীওই অমা চোংথোরকপা উবদা মহাক্না নোংমৈগী ট্রিগর চীংখি। মতম অদু খক্তদা রিচার্দ দেন্নিশনা মীওই অদু কনানো হায়বা খঙখি। মাগী মমাকনুপা ওইরমখি।

মহাক অমসুং মহাক্কী নুপীনা লৈরিবা নোরৱেদগী ক্রিষ্টোফর বরগাননা মাইল ৪৫০০ ফ্লোরিদাদা পাইরকখিবনি। মদু মথঙগী নুমিৎতা চহী ৬২ শুগদৌরিবা রিচার্দ দেন্নিশকীদমক মপোক নুমিৎকী অঙকপা অমা ওইহন্নবা তৌখিবনি। অদুবু মদুগী মহুৎতা অৱাবা থৌদোক অমা ওইখ্রে।

নোংমৈ মরু অদুনা ক্রিষ্টোফর বরগানগী মথবাক্তা চপচানা পানখি। মদুদা মহাক খুদক্তা শিখি হায়না শান্তা রোজা কাউন্টি সেরিফ বোব জোন্সননা হায়কি।

থৌদোক অদু অৱাবা থম্মোয় শোকপা থৌদোক অমনি হায়রদুনা ওথোরিটিজনা রিচার্দ দেন্নিশকী মথক্তা ক্রিমিনেল চার্জশিং তৌরো হায়খি।

থৌদোকসিগী মমাঙদা নুমিৎসিমক্তদা নুমিদাং পূং ৯.৩০রোম তাবদা মহাক্কী মমাঙ থোঙ থিল্লকখিবা মরীমতা অমগা রিচার্দ দেন্নিশগা মরৈ য়েৎনখি অমসুং তান্নখি। ইনৌ-নৌনা এয়ারপোর্টতা থুংলখিবা ক্রিষ্টোফর বরগাননা মদু খঙদবদগী মকুবোক দেন্নিশকী য়ুম তন্না চৎখ্রগা মকুবোক্কী ৬২ শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগী নুংঙাইবা অমসুং অঙকপা ওইহন্নবা মোংশোঙদগী চোংথোক্লুবনি।

# ট্রেন কোটচ ২ য়ু পিদা গুরুং চংখ্রে

**লখনৌ, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** লখনৌ-আনন্দা বিহার দেবল দেক্কর ট্রেনগী কোটচ ২ ঙসি উত্তর প্রদেশকী মোরাদবাদ রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা গুরুং চংখ্রে হায়না ওফিস অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু থৌদোক অদুদা অশোক অপন থোকখিদে হায়না নোদর্ন রেলৱেজকী ৱাঙাংলোই দিপক কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রেন অদুগী ৫শুবা অমসুং ৮শুবা দবা অদু অয়ুক পূং ১০.১৫দা কাতঘর অমসুং মোরদাবাদ ষ্টেসনশিংগী মরক্তা গুরুং চৎখিবনি। পেসেঞ্জরশিং শোয়-ঙাম্বা থোকহন্দবা হায়বসিনা অহানবা মরুওইবা অদুনি। মখোয়বু ট্রেনগী অহানবা শরুক্তা তোংহল্লগা মোরাদবাদ ফাওবা পুরগনি হায়না মিষ্টর কুমারনা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-262**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 8 | 4 | | 3 | | |
| | | 1 | 5 | 3 | | | 8 | |
| | 8 | | | 2 | | 1 | | 5 |
| | 1 | 5 | | | 3 | | 2 | |
| 9 | | | | | 2 | | 3 | |
| 8 | | | 1 | | | | | 9 |
| | | 3 | | | 8 | 2 | | |
| 1 | 9 | | | | | | 7 | |
| 5 | 2 | | | | | | 1 | 8 |

## সনা-সুদোকু – ২৬১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 6 | 1 | 9 | 4 | 7 | 2 | 8 |
| 2 | 7 | 4 | 3 | 5 | 8 | 1 | 6 | 9 |
| 9 | 8 | 1 | 2 | 7 | 6 | 5 | 3 | 4 |
| 1 | 4 | 5 | 9 | 8 | 2 | 3 | 7 | 6 |
| 7 | 6 | 2 | 4 | 3 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 3 | 9 | 8 | 5 | 6 | 7 | 4 | 1 | 2 |
| 4 | 5 | 3 | 7 | 2 | 9 | 6 | 8 | 1 |
| 6 | 2 | 7 | 8 | 1 | 5 | 9 | 4 | 3 |
| 8 | 1 | 9 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 | 7 |

## GAS TODAY

**Hran valley, Kwakta**
Booking : 03/09/19
Valid : 02/09/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Ashangbi Indane, Sugnu**
Booking : 08/08/19
Valid : 28/07/19
Stk : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 25/09/10
Valid : 26/08/19
Stk : 306, 19Kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**J Rongmei Indane**
Booking : 01/09/19
Valid : 30/08/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 18/09/19
Valid : 14/09/19
Sl. No. : Up to 277935
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 30/09/19
Valid : 20/09/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Hiyangthang Indane**
Booking : 26/08/19
Valid : 24/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 28/09/19
Valid : 27/09/19
Stk : 306
First Come First Serve

**M.M. Gas**
Only Booking &
No Gas Delivery

# সেস্না প্লেনশিং ক্রাস তৌবগী তোঙান-তোঙানবা থৌদোকশিংদা ট্রেনী পাইলোট ২ শিখ্রে



**হায়দরবাদ, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সি)ঃ** সেস্না প্লেন ২ তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা ক্রাস তৌখ্রে। ক্রাসকী থৌদোক অমনা মহারাষ্ট্রদা ইরাই নুমিৎতা থোখিবনি অমসুং অতোপ্পা অদুনা তেলঙ্গানাগী বিকারাবাদ দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবনি। ক্রাসকী থৌদোক অনী থোকখিবা অদুদগী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসননা তঙাই ফদনা থিজিনবগী থবক অমা চত্থবা হৌখ্রে।

থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইদুনা দাইরেক্টোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসননা তঙাই ফদনা য়ামদ্রবা থৌদোক অমদা থিজিনবগী থবক অমা চত্থবা হৌখ্রে।

অহানবা ক্রাসকী থৌদোক অদুদা মহারাষ্ট্রগী ধুলেগী শীরপুরদা লৈবা এন এন আই এম এস একাদেমি ওফ এভিয়েসনদা ট্রেনিং তৌবা পাইলোট অমনা একাদেমি অদুদা মহাক্কী প্লেন অদু লেন্দিং তৌনবা হোৎনরকপদা ক্রাস তৌখি।

প্লেন অদু ইরাই নুমিৎতা অয়ুক পূং ১১.০৫তা পাইখৎখিবনি। মিনিট ৫৬ পাইরবা তূংদা প্লেন অদু পাইথরক্লবা হোৎনখি। ওইথংবা নাকনদা লৈবা ফেন্সিংদা থেঙ্গাইদুনা প্লেন অদু ক্রাস তৌখি। ঐখোয়না থৌদোক অদু থিগৎলগনি হায়না দি জি সি এ ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

থৌদোক অদুদা মহৈরোই পাইলোট অদু খুদোঙথিবা থোকখিদে। অদুবু মহাক্কী প্লেন সেস্না ১৭২ আর অদুদি শাথিনা, মরুওইনা মদুগী ৱিং, ইঞ্জিন, প্রোপেলর শোকখি।

একাদেমি অসিগী ফ্লীটতা সেসনা ১৭২ আর এয়ারক্রাফ ৩ লৈ।

অনীশুবা ক্রাসকী থৌদোক অদুদা ট্রেনী পাইলোট ২ শিখি।

হায়দরবাদতগী কিলোমিটর ১০০রোম লাপ্পা টেলেঙ্গানাগী বিকারবাদ দিষ্ট্রিক্টকী সুলতানপুর খুঙ্গংগী লশিং থাবা ফিল্ড অমদা মখোয়গী প্লেন অদু ক্রাস তৌখি। মখোয়গী সেস্না প্লেন অদু হায়দরাবাদকী বেগমপেট এয়ারপোর্টতগী পাইখৎখিবনি।

ক্রাস অদুদা শিখিবা মহৈরোই পাইলোট অনীমক অদু হায়দরবাদতা লৈবা রজিব গান্ধী এভিয়েসন একাদেমীগী মহৈরোইশিংনি।